ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯲꯵, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯶꯹ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, দিসেম্বর ২৫, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৬৯শুবা মশীং

মীয়াম্নদি হুমুক খারে

অদুবু তাখিগদৌরি, লোইদ্রি

মণিপুরগী অনৌবা ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলগী থবক থৌরম পূম্নমক মার্চ ১৯, ২০২২গী মমাঙদা মপূং ফানা পুমলোই লোইশিনগদবনিনা অনৌবা ইলেক্সনসি পাঙথোক্কদবা মতম কুইশিল্লক্ত্রে। অদুক্কী মতিক নকশিল্লক্লে। ওইরক্লিবা ফীভমসিগী হৌনবা চথনরক্লিবা ইলেক্সন কেম্প্যেনসিদা চুম্না অনৌবা চোঙথোরকপা মীরেপ ওইবগী হৌনবা মহাক্না মীয়ামগী মীহুৎ ওইরক্লবদি অদু তৌনি, অদা তৌনি, মদুগীদমক ভোটরশিংনা মঙোন্দা ভোট পীবিদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌহনবীয়ু, মীরেপ ওইহনবীয়ু হায়দুনা ভোটপু ফিগাও শানা য়াবসু নত্তবা, হান্না কারম্লবা ওইরগসু মহাক্না মখা তানা মীয়ামগী তৌনীংলিবা থবক-থৌরমশিংনা অসিনি, তৌগে খঞ্জবশিং মপূং ফানা তৌবা ঙমজখিদ্রে, অমুক্তুংগা থাগৎপীয়ু হায়জবগী মথক্তা লম্বা তৌনগদৌরিবা মীরেপ অমসুং পার্টিবু কোৎথোক্তুনা পিদ্রিৎ থোক্না হুল্লগা চৈথবা, মরাল শীজিনবা, অশোয়বা অরানবশিং নোং তারগা অমাংবা পোপথোকপদৌনা পুথোক্তুনা তুকা থিরগা হুন্নরকপগী অকনবা ৱাহৈশিং, ফজদবা ৱাফমশিংদি মীয়াম্না হুমুক খানরে। মীয়ামগী নাকোং শীংজা য়ৈরে। কোকথক্তা বজ্র তাবদৌনা থোক্লে। মখা তানা তানীংদ্রে। চুম্নতগী কেন্দিদেট ওইগদৌরিবা মীওইশিংনা ঙাঙবদগী হেন্দোরক্তুনা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংদুগী মমিং ফাউবা ইবা হৈতদুনা য়েকপা, মমা মপা ওইবশিং ফাওবা মীওই ৫/১০বু তিল্লবদি মাইক্রোফোন মমাঙদা চিংশিনবীরগা পোলিটিক্স নৎত্রগা মীখল, মীরেপকী মতাংদা অ, আ ফাওবদি খঙদনা পঙাঙ-ঙাঙবা, পংশক-শকপগী থৌদৌশিং চথনরকপা য়াওরকপসিদি হান্নদগী নাকোং শীংজা য়ৈরক্লিবা ভোটর মীয়ামদি অমুক্কসু তরেৎনি চফম হলহল্লে। অসিগুম্বা থৌওংশিংসি মখা শাংথহল্লক্তবনা অফবা ওইগনি খল্লি। মরমদি মীখল হায়বসিদি ভোট থাদবা য়ারবা মীয়াম হুপ্না শরুক য়াগদবা দেমোক্রেসিগী মরু ওইখ্রবা থবকনি। লুপা লাখ-ক্রোর কয়াগী মপু ওইরবনি হায়দুনা শেঞ্জাও থাদবখক নত্তনা ভোটর পূম্নমক্কী মশা পূম্বা সনানা লেপ থুম্না হৈরবসু মশানা য়ানীংদবা পার্টি, মীরেপ্তুদি ভোটরশিংগী মমল য়াম্লবা ভোট পীরক্লোই। অতোপ্পা পার্টি অমসুং মীরেপ পংহুন্দা হুল্লগা শেলয়াম চাইখাইরগা হেক্তা কারগনি হায়দুনা ভোটরশিংবু য়াম্না হন্থনা লৌবা চুম্লোই।

লেপ্তুনা হোংলক্লিবা মালেমগী ওইবা অওনবনা মরম ওইরদুনা অদুঙৈগী অহল মথিনা চফু মেল্লি হায়বগী ৱাফমদু ফাওবা চানদবা হৌরক্লবা মতমসিদা মীয়াম্না মশক মুন্না খঙখ্রবা, কয়ারক হন্না টেষ্টেদ ওইখ্রবা থায়নদি নুংশিবা শুর থোকখিবনি হায়বা বাঁসিনি হায়খ্রবসু হৌজিক্তি কুইশিল্লকপদা মনশিল্লক্তুনা তেক্লক্লবনিনা থায়নগী শুমহৎপা খোঞ্জেলদু থোরক্ত্রে। অতেকপা বাঁসিদগী থোরকপা মখোলদি অফবা অমত্তা ওইরক্ত্রে, হন্না খোংলক্লনু তানীংদ্রে হায়বনি। অদুগীসু মথক্তা ইলেক্সনগী কেম্প্যেনবু থায়না ধোরা হুরানমিন্নখিবগী পাওথোকফম প্লেটফোর্ম অমা ওইনা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরকপা চুম্লোই। থৌওংশিং অসিনা পাঙথোক্লগদবা মীখল অসি নীংথিজনা ‘ফ্রী এন্দ ফ্যের ইলেক্সন’ ওইহনবগী মহুত্তা থোকহন্নীংদবা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা ক্রাইম কয়া থোকহল্লক্লবগী অচৌবা মরম ওইহল্লক্কনি। অদুবু মীখলগী মতম নোংম-নোংমগী নকশিল্লকপগী হৌনবা খাম্লুবা, থিংলুবদি য়াররোই। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মখোয়গী খুর্জি পায়রিবা অঙম্বশিংগী য়াকা য়েংনবা হোৎনবদা পাঙথোকফম থোক্লবা মথৌ পাঙথোকপা ঙম্লোই। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) অমসুং চীফ ইলেক্টোরল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরগী মায়কৈদগীসু ইলেক্সনগী নোটিফিকেসন থোক্ত্রি, মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনদ্রি হায়দুনা চগৌ য়েংলি। অদুবু মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনহল্লক্লবা ফাওবদা মীখলগী কেম্প্যেন/পব্লিসিটি/প্রোপেগন্দা চৎথবা য়াবগী পীরিবা মতমশিং অদুগী মনুংদদি খূৎ-শা প্রোক-প্রোক থেক্তুনা খাঙবা নত্তনা করিমত্তা কান্নরোই। নূঙদা ঈশিং চাইবগুম থোক্কনি, ঙাপ্রুম মমৈদা খুজিলনা শিকপা তাগনি। অদুনা লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়রিবা পোলিটিকল পার্টি অমসুং মীরেপশিংনা ইলেক্সনসিদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকহন্দনবা অচুম্বা, অশেংবা অমসুং ফজবা ৱাহৈ অমত্তা থোরক্লরোইদবা কাঙ্খ থাঙ ওইরবশিং থেমজিন্দুনা ফাজিনবীয়ু। মীমাংদা পুথোকপীরক্কনু। ভোট নকশিল্লক্লবা তাঞ্জাসিদা ভোটরশিং খোমজিল্লকপদি লায়রদনা খোমদোকখিবা ওইনা থোকহল্লক্কনি। মসিগী মথক্তা সুম তোয়না নাকোং মেন্দুনা খাঙলকপা ভোটরশিংনা তাবা ঙম্বগী পাঙ্গল লোইথোকখ্রবদি নীংজরুবা-পামজরুবনা অমা, থোরক্কদবনা তায়ওন্ননা অমা শোয়দনা ওইরকপা য়ারিবনি। চুম্না, নীংথিজনা অমসুং ফজ-ফজনা ভোট খোমনৌ, নরাইবক য়েংজৌ। অহেনবদি তৌরক্কনু। মীয়াম্না নশক মুন্না খঙই। মীয়ামদি ইচা ফত্তবা চাওবা ঙাইবা, ইপুরোইবা ফত্তবা শিবা ঙাইবা হায়দুনা খাঙলিবনি কাউগনু।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩২

১) মণিপুরগী মমিং চৎলবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবা ৱারীমচা অমগী মমিংনি ***“কৈথেল লুকোক”*** হায়বসি। কনানা ইবা করি ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবনো?

২) **“কিশি”** হায়বা (২০১৬তা ফোঙবা) লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) রঘু লৈশাংথেমনা ইবা ***“খুঙ্গংগী চিঠি”*** হায়বা লাইরিকসি কনানা করি মমিং হায়না ইংরাজিদা হন্দোকপগে?

৪) ***“ঙসি ঙসি হয়েং হয়েং মাঙখি মতমসু।/হন্না য়ৌনবু য়েংবীরমদে কনাবুসু।/নুংশি হৈতবী মতমনি/ৱারকচেৎপী মহাক্নি।”*** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

৫) ***“লাইথুং মখাক লাইমন মচিৎ”*** হায়বা লাইরিক্কী অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

নিংথম ৱাচোই অঙৈংবা খাঙন-মৈ

ৱাইরু-ৱাইরুবদা



আই ৱাটর জবোং : ঐ ঈশিংদা চোংথৈ। সিদগী হেনবা ঙমদে ঐনা ইংলিস লোনবা হৈজবা! গ্রান্মার য়াম্না পাজে - লোনবা খোৎপা ঙম্নবা, অদুবু য়াদে। ইহাই হাইগৎতে। ঐনা ঙাঙবা পাম্বদি বেদ্রেং-বেদ্রেং হেক্তা ঙাঙবনি। য়াদে ঐ, আই ৱাটর জবোং অসিদগী ইহেন হেনগৎলু য়াদে। ইনাক্তা থম্মী রোজেটকী থিসোরস, সিদনি গ্রিনবোমগী গ্রান্মার, শীতলজিৎকী দিক্সনারি, খেলচন্দ্রগী, ইমোবগী, হীদাম দোলেনগী দিক্সনারি, রোন কোৱার্নগী, জিওফ্রি লিচ, রান্দোলফ ক্কির্ক, মার্গরেট দিটসে, রোবর্ট হুজেরাদকী গ্রান্মার পাদুনা য়েংই ঙাঙবা ঙমদে। ইয়া য়াদে ইমালোল হৈবগুম হৈবা ঙমদে। ঙমসু ঙম্মোই। হনুথংদা ইংলেন্দদগী লাপ্পা লৈবা ঐনা য়ূমদা ফল্লগা। য়াম্না খঙদ্রবসু খরগী মখৈ খঙনবা লাক্লে। ঙাঙবমক ঙমদ্রবসু, ইবমক ঙমদ্রবসু পাবফাওদি ঙম্নবা লাক্লে। ইরম্বদগী ঙাঙনীংলকই। বেরানি লৈ তৎশিল্লকই। য়া কপ কপ লাউরকই, ইংলিস য়াম্না লুবা লোল ওইরম্মী। নিংথমথাগী অয়ূক ৱাকিং চৎপদা ইংলিস লোন্নিংলকই - ঐ হন্দক ইংলিস য়ারিমখৈ ঙাঙনবা লাক্লে। ময়াম্না ৱা ৱা নোকই। আই ৱাটর জবোং হায়বা অসিবু কদায়দা লাল্লিজাৎনো? ঐনা ঙাঙলিসে নখোয় গ্যান অমদি তারমগনিনা হায়না শাউগৎচৈ। অদুম ৱা ৱা নোক্তুনা লৈ, ৱাকিংলোয়শিং মপূক্লি পায়দুনা নোকই। অমরোমদা ফৈ খল্লি, ঐনা মী খরা নোকহনবা ঙম্লে হায়না। কৈসু কায়দে ঐদি নূঙ পেকপা চৎপা ঐখোয় মশেল ঙাঙনজবা ইংলিসনি। নখোয়তগী ইংলিস ওইবা য়ারোই। ঐগীসু লৈজে তোঙানবা অনৌবা মীবু নুংঙাইহনবা, ৱারবা লৈতাদ্রবা মতম অসিদা মীবু নোকহনবা ঙম্বা ইংলিস অমা।

নুমিৎলৈ : ইনে নুমিৎলৈগী হোটেলদা নহান চা থকপা চঙই। চা অমা হাউনা থক্লগা হোটেল মনুং হায়বদি চা কাংহৌ য়োনফম অদুদা নপহৌবা মমাঙগী খূবাক্কী ফোটো ময়াম অদু অঙাংনা লোইনা শেগাইহৌরে। ফজৈ হায়দনা মানা খূবাক্কী ফোটো ময়াম ফোটো নমথোক্লগা থেৎচনবনি। মশুনুপানা লোইনা শেৎতৎলগা লৈরম্লে। মদুগী মহুত্তা মশুনুপা অদুনা মাগী লৈখা বয়দা য়েকচবা থম্বালগী মচু ফজবা লাই ময়াম অমা থেৎলম্লে। য়াম্না ফজরম্মে। ইনে নুমিৎলৈগী হোটেল মনুং অদো। কয়া থুনবু হোংলম্লিবনো? তম্বা ঙম্বা নত্তে। কনানা খঙবা ইনে নুমিৎলৈগী হোটেলদা নোংমা মশুনুপানা ফৌ চরোং থাঙ্গোল ঙাক্তা য়েক্ল-য়েক্লগা অমুক থেৎলকপসু। ইনে নুমিৎলৈ য়াম্না ফবী নুপীনি। মাগী পোৎশিৎ য়াম্না ফৈ হাউবু হাউরে, হাউবু হাউত্রে পোৎশিৎতি ধমা অমা ফৈ হায়রিবা অসিনি। হিংন-হিংনবা থোক্ল-থোক্লবা ইনে নুমিৎলৈগী ফক্লাংনা হোৎনহৌরি।

খুঙ্গংদা চৎপা : ইম্ফালদা শ্বর হোনবা ৱারে। উ হৌদ্রে ইম্ফালদা বিল্ডিং ঙাক্তা হৌরে। ৱাংল-ৱাংলবা বিল্ডিং। শ্বর হোনগে তৌরকপদা কার অমা নৎত্রগা ওটোরিক্সো অমা নাতোন্দা পাইশিল্লকই। খরা লৈরদি ওক্সিজেন বুঠ খিন্দবা য়ারক্লোই। অহাঙবা লৈত্রে ইম্ফালদা শ্বর হোনগে হায়রবদি খুঙ্গংদা হাইথবা তাই। ঐদি মরক মরক্তা শ্বর হোন্নীংলকান্দা মহৌশাগী মশাইকোন ওইরিবা খুঙ্গংদা চৎলি। খুঙ্গংদা অহোংবা য়াম্না উরে - হান্না খরা খরা ফরম্বা লম্বী ফরক্তবা, হান্না খরা খরা ফরম্বা থোং তেক্লম্বা, হান্না খরা খরা ফরম্বা মৈ মখোঙ, ত্রান্সফোর্মর লোইনা ফৎচিল্লমদবা। অঙাং লাইরিক তম্ফম মওং তানা লৈরক্তবনচিংবা অহোংবা কয়া অমা উরে, লায়রবা মশীং হেনগৎপগী অহোংবা কয়া লৈরম্লে। ঐনা খুঙ্গং চৎপদা মখোয় ময়াম অসে খরা খরা শেমজবা ঙম্লবদি য়াম নুংঙাইদৌ মাল্লি। কৈসু লৈপোৎতে খুঙ্গং অসে শেম্লু শেমগৎকে হায়রদি শেম্বা তল্লদি খঙদ্রে। খুঙ্গংগী মীদি খরা ৱাহল্লগা, খরা তোম্থহল্লগা, খরা শিংহন্দ্রগা খুঙ্গং হেন্না মানবসু লৈ। খুঙ্গং অসে ফজৈ য়াম্না হায়নৈ। খুঙ্গংবু নুংশিনৈ। খুঙ্গংগী মচৎ মাঙখিদনবা খুঙ্গং শেমগৎতবা ওইরম্বা য়াই। ঐসু শেমগৎপা ঙমদে শেল পায়দে, য়েংবদমক য়েংলগা তোকচৈ। ঐখোয়গী খুঙ্গং মহৌশাগী অরিবা ফীভমদা চপ চানা হঞ্জিল্লকপা তারবদি হেন্না ফজগদ্রা?

মীখল : পার্টি শিল্লসু, মীরেপ শিল্লসু মদুগী তারকপা ফল অদুদি জিরো সুম তাবা অঙ্ক অমা ওইরক্লে। ওন্থোকপা মখলগী অঙ্ক হায়বদুনি। ঐদি নোটাদা ওইনা হোৎনরসিরা খল্লে, খোয়দৌ হেক শাউগৎলক্তনা। কয়াদি য়ামখ্রে চেদা মাঙলগা মতোকই। অসুক য়াম্না হোৎপা অঙ্কসে জিরো ঙাক্তা ফল তাই।

নিয়ু ইয়ার (ন্যু য়র) : য়াইফ পাউজেল ময়াম তারক্লনি। হৌখ্রবা চহীদা তাখিবা অৱা অনাশিং লাক্কদৌবা চহীদা নংদবা ওইরসনু! হেপি নিয়ু ইয়ার! অমসু অমসু মানা মানা থোকপা অমনা অমদা হেক্তা হায়নৈ। নিয়ু ইয়ার খুদিংগী য়েনগী মমল, হঙ্গামগী মমল, ম্যুজিক প্লেয়রগী মমল অসুম অসুম হেঙ্গৎলকই। ঐ ঈশৈ শক্লিংদে, দান্স তৌনীংদে, ও খোংনা কপচনীংলে।

থাগৎচুরি। ●

নিংথৌ শেমগে লৈবাক শেমগেরা

নবকুমার ওইনা

তরং মালংসিদা লৈরিবা য়ুনিভর্স ময়ামসিগী মরক্তা মোলিক্যুল খরা খরা তাশিল্লগা শেম্বা মীওইবা ঐখোয় খরা মালেম অসিগী মথক্তা লৈরি, ৱাখলসু খল্লিবনি। ঙাঙনরিবা ৱা ময়ামসি মদুগী মনুংদনি। গ্রেভিটেসনগী ফোর্স, রেদিও ৱেভ, ইন্দক্সন ফোর্সেস নৎত্রগা কেমিকেল রিএক্সন অমনা ৱাখলশিং অসিগী হৌরকফম ওইবা অমসুং ইনফ্লুয়েন্স পীরকপদগী ৱাখল ওইনা থোক্লক্লি। পুৱারী অমগী মেমোরি পরিংদা মশাগী লৈবাক্লি হায়বা শেমগৎনরি। মসিবু কদায় ফাওবা পর্মিনেন্ট ওইগদৌরিবনো? করি খল্লগা তৌরিবা থবকনো?

অফবা লৈঙাক শেমগে হায়বসি য়াম্না ঙাঙনরে। হান্নদগী তৌরক্লিবসি অফবা ঙাক্তেনি। মীওই খরগী অফবা মী ময়ামগী অফবা হায়না খেন্নবা খরা লৈবগী ৱাদুতনি। মী অয়াম্বনা মানা-মানা খনবদুনা ফরবোইদা খন্নরুবগীসু ওইবা য়ারিবনি। হান্নদি লাই-লিক ওইনা তম্নরম্মী (হৌজিকসু খরা লৈরি), ঙসিদি মহৈ-মশীন ওইনা তম্নরে, তম্নিং-তম্নিংবা তম্বা য়ারে। মনীং তম্না ৱাখল খনবগী অথিংবা লৈত্রে হায়বা খঙনরে। অদুম্না খনবা ঙমজদবা খরসু লৈহৌরি। মালেম অসিগী মচি খুদিং মীয়াম হুপ্না থোক্লকপদি নুমিৎ খুদিংগীবু উরে হায়বা য়ারে। মসি ফাওবদা লমদম অসিগী নহা অহল খাক্তনা তূমদুনা লৈখিগদ্রা হায়বগী ৱাখল অদুসু মচিন তুম্না হৌগৎলক্লি। অরিবা মরূদগী অনৌবা ময়োন চোংবা হায়নরিবসি কদায় ফাওবা চুম্লবনো ময়েক শেংদ্রি। নহা খরনা লূপ খরা শেম্লগা ফন-ফন চোঙবসিনা মপূং ফারবনি হায়বা য়াদ্রি। করম্না মায়কৈ অমদা ৱারেপ লৌরবনো হায়ববু খঙনদ্রি। ময়ায়দা হাইরগা কাং-কোং মখোল থোকপদুগী মখোল তারে, থবক খরদি তৌরে হায়বনি। সিভিল সোসাইটি হায়গনি, থবক অমা-অনী মায় পাক্কনি, মদুনা লোইরদরা? মী হায়বসি মুল্লিমখৈ থবক লোইরোই। মপূং ফানা খন্নথোকপদি ঙমদনা করম্বা থবক মপূং ফাগদৌরি। ৱা খন্নববু হৌরে হায়বা য়ারদরা, পুনবদি ঙমদনা করম্না য়াগদৌরিবা। মশাগী কাঙলোন হায়বা অমা য়াওজগদৌবনি, খোঙথাং চুমদ্রগনা ষণনাও তারগা তোক্কদৌরিবনি। লমদমসি করম্বা থাক্তা লৈরিবগে অদুম খঙগনি।

নিংথৌ ওইরগা লৈবাক শেম্বগী থবক লোইখ্রে, ভোট তৌরগা মীহুৎ ময়াম্না ৱা খন্নরগা শেম্লে। ৱা খন্নবদু ফজদবগী, মরৈ পংয়েৎ য়েৎনবা, অফবা অচুম্বা ওইবা ঙমদবগী ৱাথোক কয়া থোক্লি। মীওই অমগী মরাল নত্তে, মীয়ামদুগী ৱাখলগী থাক ৱাৎলিবগী ওইগদৌরিবনি, মিৎ লাউথোক্লগা য়েংনদবগী ওইগনি। হৌজিক্তি মিৎয়েং পাকথোকপা ঙম্বা নহা কয়া থোক্লকপগী ৱারী ময়াম নাকোং শিংজা য়ৈরক্লে। তাদবা নহা কনা লৈহৌরিবগে। খ্বাই য়াইস্কুল, লৈত-লায়রা, খুঙ্গং-ইম্ফাল, চীং-তম, নহা-অহল হায়বা লৈত্রে। লুরক্লিবদি, করি তৌগদৌরি। মদুদসু অমুক্কা ৱা য়াম্নগদৌরিব্রা? নহাদি নহানি, ফুল ইনর্জি লৈবা হায়বনি, অঙাং হায়বা নত্তে। পংথাদা থাজববুদি য়াবা নৎত্রি, থৌনা লৈনা হায়বা ঙম্বা হায়বসি মঙ্গে থেঙগুনা য়ৈশিনবা য়াবা নত্তে। মোনার্ক শারিবশিংগী ৱাখল খূৎখন হোংহন্নীংই। হায়বা খুদিংদা পঙইন্দা ইল্লিবা শিফাইশিংদসু নহা য়াম্না য়াওরি। নহা মশেল ৱায়নহল্লগা অহলশিংনা খুদোংচাবা লৌদুনা লৈগনি হায়বসি মনুং-মতমগী মতুংইন্না চেকশিনবা য়ারবা মতমদু লাকখ্রে। অপঙবা থাদোকউ, থাদোকপা য়াবা ৱানি খঙনরে। লাল্লবদি হায়বা ইন্দ্রবসু য়াই হায়বা খঙনরে, শিপোইনা ওফিসর হাৎপা য়াওরে। হায়বা ইনবা-ইন্দববু পাপ চেনবা চেন্দবগী মনুংদা অদুম লৈগনি হায়বসি নহাশিংগী ৱাখলদা লৈরক্তরে হায়বনি। মনীং তম্না ৱাখল খনবা ঙম্লক্লে হায়বনি; তৌবতবু চৎনবরা, চুম্বা চুমদবা হায়বা অমদি লৈরি। মদু লো ওইনা শেম্নবা মীহুৎ ওইবগী অপাম্বা ফাওরক্লে। য়েংগদৌরিবসি নহা কয়া পূনবা ঙম্লবগে হায়বসি ওইগদৌরি, অমা-অনীখক্তনা নহানি হায়বদি য়াগদৌবা লৈতে। লাপ্পা-নকপা, অনেম-অৱাং খাক্তনা পাউ ফাওনহন্নীংবগী অপাম্বা মীপূম খুদিংদা লৈগনি। মদু উবদা হুমাং কাংগদৌবা মীওই মঙা-তরাদি ময়াওগনি। মখোয়নদি ওইরোইদবা ৱানি হায়না শন্দোক্কনি, শেল চাইশিল্লক্কনি। মতম অদুদা নহাশিংনা তৌগদৌবা থবক হায়ববু শেলদু চাথোকপগী পাপ হায়বা লৈতে, লোনা য়াবা শেল নত্তে, লোগী ৱাংমদা তানখিবা শেলনি ইশাদা হল্লকপনি হায়না লৌবা য়ারবনি হায়বসি খঙহনবদুনি। মদু ঙমদবা নহাশিংদুদি পঙলি, লাইগী মিংদা পাপ কিরি, মনীং তম্না থবক তৌবা ঙমদ্রি হায়বনি। নহা নত্তে, খুন্নাইসিগী য়েক্লববু ওইরি হায়বা য়ারিবনি। অহলশিংনা হায়বা ইনগনবা নৎত্রগা অপঙবা নহা খরসু থবক তৌরগনি হায়রিবা নহাশিংগা ওনশিন্নদুনা য়েৎনবা থোক্লকপা য়ারিবনি। মতম অদুদা অপঙশিংদি মীচং চংগনগনি, হায়বা ইনবদা অপঙ থৌনা ফুদোক্তুনা লৈগনি। মসিনি লৈবাক কয়াদা নহাশিংগী মপুন্সি খাঙুথক্তা মাঙহল্লগা অহল খরনা মপোক হৌবমখৈ নিংথৌ শারগা লৈনহৌবা য়াওরিবনি। মসিমক লমদম অসিদসু থোক্লিবনি, তুং ইল্লগা অরেম্বা খরা চারিঙৈদা অহলশিংনা শান্নরিবনি। ঙসিদি মদুগী মতম লোইরে হায়বা খঙনরক্লে। নহাশিংগী মরক্তা লুচিংবা থোক্লক্লে, য়ুম্মাং পাউ চেল্লক্লে, শেলপুং য়ৈরক্লে, খুম্থোং পূম্বা হাঙলক্লে, ফিশেৎ চাকচা পুল্লক্লে। লৈবাক পুল্লনি হায়রক্লে।

নুংঙাইরিবদি নহা থোক্লক্লবদি অহল ওইবশিং ভোট লেপ্পা তোক্লগে হায়বা য়াওরকপসিনি। অহল ওইরবশিংনা ওইজবা খরা থাদোকপা ঙম্লকপা হায়বসি লৈবাক শেম্বা ওইথোকপা য়ারক্লগনি হায়বনি। লৈবাকসিদি অহলশিংনা মাঙহল্লম্বনি হায়বা য়াগদৌরি। উ অরিবদি ৱা অনৌবগী পায়ানা পুল্লি হায়বা লৈরি। মহৈ-মশীন তমদবা নহা লৈত্রে, নহা লৈতবা য়ূম য়াওরক্তরে অহলশিংসু নহানা হায়বা য়াবিরো হায়বা তারক্লে। লৈবাক্কী লান্দি ইমুংদা লোইগদৌবনি। তঙাইফদ্রবদি নিংথৌরেলসু কৈশুমশঙদা লৈবা য়াওখি হায়বসি নহাশিংনা কাউবা য়াদবা ৱারী ওইরক্লবনি। নুপী কয়ানা শেল য়েনবা য়াওরি, শেল লৌরিবসু নুপীশিংনা ওইরি হায়বা তারবদি লৈবাক মাঙহনবসি নুপীশিংননি হায়গদৌরিব্রা। লৈবাক্কীনি হায়বা লাওবসু নুপীনা লাওবা, শেল য়েনবসু নুপী য়াওবা, অথেলপোৎ কাবসু নুপী পরেং-পরেং ময়ামসিবু করি হায়রিবনো, শান্নপোৎনি হায়বা য়াগদৌরিব্রা? লৈবাক শেম্বসিবু নুপী লীলা তাগদৌরিব্রা, ইমুংগী নহাশিংসু শেল লৌরগা শা-ঙা থোংবদু চারগা ৱা ঙাঙদনা লৈবা য়াওখিগদৌরিব্রা? মালেমগী মীয়াম মমাঙদা শেল লৌরগা ভোট পীবনি হায়বসি খঙহল্লবনিদি হায়রগা হোংদোক্লবা হোৎনদবা হায়বসি ফি শেৎলবা ইকায়বা খঙলবা শানি হায়বা য়াগদৌবা মাল্লক্তরে। নহাশিংনা মরু ওইনা মসি খঙফম থোকই, খন্নফম থোকই। অসুক তুক্কচবা থাক অমদা লৈবদি ঙম্লগা অৱাংবা থাক্কী/জাৎকী সভ্যতা লৈরবা চহী লিশীং অনী শুরবনি হায়জিনবসু ঙম্নরিবনি। অফবা, অনৌবা ৱা খন্নবদা য়েৎলিবসি অহলশিংনা অয়াম্বা ওইগদৌরিব্রা হায়বগী ৱাহংসু থোক্লক্লি। নহাশিংগীদি অচৌবা চাংয়েং অমসু ওইগদৌরি, ৱাখল পরিং চুম্লব্রা, থবক ঙম্লব্রা, অহল য়োকপা হৈরব্রা হায়বা খঙনগদৌরিবনি। লৈঙাক্কী থবক মশীং থিদোক্তনা ঙাইদুনা লৈবদা পুন্সি কয়া মাঙখ্রে, দ্রগ চারগা মপোক কয়া মাঙহনখ্রে, মীয়ামগী মীচৈফম ওইরক্লিবা কুইরক্লে, লান্না তন্বীবদগী পাফল কাউরুরে, মিকপ থোক্লকপদা ইয়ুম লৈরমদ্রে। হৌজিক্তি শিবা অমসুং হিংবগী থৌরি মতোন অনীমক মখূৎতা পায়রিবা নহাশিংনি। করি ঙম্মী য়েংবা তারি।

পূক্লিং হন্থবনা য়ারোই, মী কিবনা হিংবা ঙম্লোই, ইমুংগী মীশিং কন্নবা নশা শিগে হায়বা ঙম্লব্রা, নশা কল্লগা ময়ামদি শিখ্রবসু য়ারে হায়গদৌরিব্রা? লোৎপা ঙম্লোই, ঙাঙবদা হেক্তা য়াওখিগনি, ঙাঙবনা য়ারোই থবক্তা উগদৌরিবনি। অহল খরনা নহা শারগা ঙাঙজবদা চিন্দা-পাউদানগদৌবা নত্তে হায়বসু নহাশিংনা খঙজিনবা তারক্লি। লমদমসিদি মীওই খরনা হু হৈথরবা লৌফমনি হায়বসি মাঙজৌননা খঙলদৌবনি। খারৌনা কাম্বদা হু য়াওরবসু চিক্তনবা চেকশিনবা হায়বসিসু নহাশিংগী শাজেন ওইরিবনি। পামজবনি হায়বনা য়ারোইদৌরি।

মালেমগী লৈমায়সিদা নোংমতং নোম্থরগা য়েংনবসু চুম্মী। ফুরা-দলান, লম্বী-থোং, গাড়ী-কার ময়ামসিনা ইপা-ইপুগী ৱারী লিরক্লোই, কৌবদবু খুম্লক্লোই। ঐখোয়গীনি হায়ববু করি লৈরিবা? ইশাগীনি হায়বা ঙমজদ্রবা লম মতেক অসিতমক মঙায়রে। অহল পান্দ্রবগুম শায়েন-ঙায়েন তৌনবা শিন্নরম্লবা হায়বসি পুৱারী নীংশিংবনা য়ারোই। চহী ৱায়শিল্লবশিংনা ঙায়রিবদি নহাশিংগী থৌনা অদুখক নত্তে, লৌশিংদুনি। পাল্লিবসু ফিরালদু নত্তে, মিংচৎ অদু নত্তে, থৱায়গা শিন্নখ্রবা থৌগল অদুনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।